# ইন্দিয়াগী স্বিম্মর সাজন প্রকাস অমসুং সিভানি রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ারগনি



বেঙ্গালুরু, জুলাই ০৭ :

মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী স্বিম্মর সাজন প্রকাস অমসুং সিভানি কটারিয়া স্বিম্মিং মশান্নদা ক্বালিফাই ওইখ্রে হায়না স্বিম্মিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙরাং লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ২২ শুরবা কেরলা মচা সাজন প্রকাসনা মিটর ২০০ গী নুপাগী বট্টরফ্লাইদা শরুক য়াগনি। অদুবা মশাগী চহী ১৮ শুরবী সিভানিনা নুপীগী মিটর ২০০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা শরুক য়াগনি হায়রি।

হৌখিবা জুলাই অহুমদা লোইশিনখিবা ফিনাগী ক্বালিফিকেসন ৱিন্দোদা নুপী অমসুং নুপা অমমম ইন্দিয়াগী স্বিম্মরনা মেনশিননবা খঙহল্লকখিবনি।

স্বিম্মিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেলেক্সন কম্মিটিনা হায়রিবা হাংদুনা লৈরিবা নুপা অমসুং নুপী স্বিম্মর অসি মেনশিন্নবগীদমক সাজন প্রকাস অমসুং সিভানি কটারিয়া খনখিবনি।

হৌখিবা জুলাই ২ দা হোংকোংদা পাঙথোকখিবা এজ গ্রুপ লোং কোর্স স্বিমিং মীট দিভিজন ৱান (পার্ট থ্রি) দা সাজন প্রকাসনা নুপাগী মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাইদা ১:৫৯.৬৯ সেকেন্দদা মিনিট ২ ফাদনা পন্থুংফম য়ৌখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা স্বিম্মর ওইখিবনি।

হরিয়ানাদগী সিভানি কটারিয়া ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী স্বিম্মর ওইরিবনি। মহাক নত্তনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা স্বিম্মর অমত্তা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী ফীভম লৈতবনা মহাক্না শরুক য়াখিবনি।

ইন্দিয়াগী স্বিম্মর অনী সাজন প্রকাস অমসুং সিভানি কটারিয়া অসি রিও ওলেম্পিক্সতা নেসনল কোচ প্রদিপকুমারগা লোয়নননা চৎকনি হায়রি।

চৎলিবা সিজন অসিদা সাজন প্রকাস মহাক্কী পার্ফোমেন্স অসি য়াম্না ফজনা পীরিবা স্বিম্মর অমনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা স্বিম্মর সন্দিপ সেজৱালনসু হোংকোংদা পাঙথোকখিবা এজ গ্রুপ স্বিম্মিং অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক ব্রিধাৱাল খালেসু মহাক্কী পীনিংলিবা পার্ফোমেন্স অদু য়ৌবা ঙমখিদে হায়না স্বিম্মিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি কমলেস ননাৱটিনা ফোঙদোকখি।

সাজন প্রকাস হৌজিক য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লৈরিবা লৈবাক অসিগী অশা চাউনা লৈরিবা স্বিম্মর অমনি হায়না নেসনল কোচ প্রদিপ কুমার মশানসু য়াজখি।

ইন্দিয়াগী ওইনদি সাজন প্রকাস অমসুং সিভানি কটারিয়ানা খ্বাইদগী মতিক চারবা স্বিম্মরনি। মখোয় অনীনা লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স অসিদা মেদলমক লৌবা ঙমদ্রবসু ফজবা পার্ফোমেন্স পীগনি হায়বসি ঐখোয়গী অচেৎপা থাজবনি হায়না নেসনল কোচ অসিনা মখা তাখি।

# যু এস ওপন গ্রান্দ প্রীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সট্টলর ৬ প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

এল মোন্তে (যু এস), জুলাই ০৭ :

মফম অসিদা চথরিবা যু এস ওপন গ্রান্দ প্রীদা ইন্দিয়াগী সট্টলর তরুক্না য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা সিঙ্গলসকী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়াগী সট্টলর তরুক্না যু এস ওপন গ্রান্দ প্রীদা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী সট্টলরশিংগী ওইনা য়াম্না অফবা নুমিৎ অমসু ওইরে হায়রি।

মমাঙগী চয়োলদা কালগারিদা পাঙথোকখিবা কনাদা ওপন গ্রান্দ প্রীদা ৱিন্নর ওইখ্রবা তরুকশুবা সীদ বি সাই প্রানিটনা নুপাগী সিঙ্গলসতা কনাদাগী বি আর শক্তিটবু ২১-১৫, ২১-৭ তা মায়থীবা পীখি। বি সাই প্রানিটনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী কাজুমাসা সকাইগা থেংনরগনি।

মঙাশুবা সীদ ঐচ এস প্রন্নোয়না আয়রলেন্দগী জোসুৱা মাগে ২১-৯, ২১-৮ তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। প্রান্নোয়না ক্বার্টর ফাইনেলদা কনাদা ওপনগী ফাইনেলিষ্ট কোরিয়াগী লী যুনগা থেংনরগনি।

য়াম্না নহা ওইরিবা সট্টলর প্রটুল জোসিনা চেক রিপব্লিক্কী মিলন লুদিকপু ২১-১৮, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা প্রটুল জোসিনা ইন্দিয়াগী আনন্দ পৱারগা থেংনরগনি।




আনন্দ পৱারনা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেভিদ ওবনোষ্টরবু ২১-১২, ২১-৯ দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি। মরিশুবা সীদ অজয় জয়ারাম্না ষ্টোনিয়াগী রোল মুষ্টবু ২১-১৪, ২১-৯ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙকখি। অজয় জয়রাম্না ক্বার্টর ফাইনেলদা পোর্টুগলগী পেদো মার্টিনগা থেংনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা টানভি লেটনা গুটেমলাগী নিকি অলেজান্দ্রা ফোটোমেওরবু ২১-৬, ২১-৯ দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা টানভি লেটনা যু এস এগী বৈৱেন ঝাংগা থেংনরগনি।

রুদভিকা সিভানি গেদনা জপানগী অয়ুমি মাইনগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। অতোপ্পা মেচতা রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়াগদৌরিবা মানু আত্রি অমসুং বি সুমিথ রেদ্দিগী জুরানা কেনিয়াগী জপানজ জুরা মিটসুহাসি অমসুং যুটা ৱাটানাবেগী জুরাগা থেংনরগনি।

টোপ সীদ জ্বলা গুত্ত অমসুং অশ্বিনি পোন্নাপাগী জুরা নুপীগী দবলসতা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে। লোয়নননা ইন্দিয়াগী লখম্পুদি মেগনা অমসুং এস পুরভিসা রাম অনীগী জুরানা নুপীগী দবলসকী মেচতা অমেরিকাগা থেংনরগনি।

# অচৌবা অশা অমগা লোয়নননা টেষ্ট সেরিজ মরি শান্নরুনবগীদমক ইন্দিয়ন টিম ৱেষ্ট ইন্দিজতা থুংখ্রে



সেন্ট কিটস, জুলাই ০৭ :

থা অসিগী ২১ দগী এন্টিগুৱাদা ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজ অনীগী মরক্তা টেষ্ট সেরিজ ৪ শান্নরুনবগীদমক ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিম ঙসি ৱেষ্ট ইন্দিজতা থুংখ্রে।

অচৌবা অশা অমগা লোয়নননা ঙসি ৱেষ্ট ইন্দিজতা থুংখ্রবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমনা এরোপ্লেনদগী হেক কুমথবগা মখোয়না পায়নরিবা স্মার্ট ফোনদা ফোটো নমদুনা হরাউবা ফোঙদোক্লখি।

ইন্দিয়াগী স্কিপর ভিরাট কোহলিনা লুচিংবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমনা সেন্ট কিটসতা থুংখিবগা জুলাঁই ২১ দগী এন্টিগুৱাদা শান্নবা হৌগদৌরিবা টেষ্ট মেচ অসিগীদমক শেম শাখ্রে।

ইন্দিয়াগী নৌনা হেদ কোচ ওইরবা অনিল কুম্বলেনা মহাক্কী স্মার্ট ফোননা কাপ্পা ফোটো অমা ট্যুটরদা থাগৎতুনা ঐখোয় য়াম্না শাংনা ফ্লাইট তোংলক্লবা মতুং সেন্ট কিটসতা য়ৌরে হায়রকখি। ৱেষ্ট ইন্দিজ ক্রিকেট টিমনসু ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমনা সেন্ট কিটসতা থুংখিবগী ফোটোশিংসু থাগৎলকখি।

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজ অনীগী মরক্তা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট সেরিজ মরি অসি এন্টিগুৱাদা জুলাই ২১ দগী হৌগনি। হায়রিবা টেষ্ট সেরিজ অসিনা অনিল কুম্বলেনা চীফ কোচ অমা ওইনা মহাক্কী অহানবা এসাইন্টমেন্ট ওইগদৌরিবনি।

লোয়নননা ইন্দিয়াগী টেষ্ট স্কিপর ভিরাট কোহলিগী ওইনসু কেরিবিয়ান্দা টেষ্ট কেপ্তেন ওইনা লাকপা অহানবা টুর ওইরিবনি।


ভিরাট কোহলি অমসুং অনিল কুম্বলেগী ওইনদি ৱেষ্ট ইন্দিজকা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা হন্দক্কী টেষ্ট সেরিজ মরি অসি য়াম্না ইতিহাসিক ওইগদৌরি। অনিল কুম্বলেগী ওইনা মহাক্কী অহানবা এসাইন্টমেন্ট ওইগদবা মরম্না হায়রিবা টেষ্ট সেরিজ অসিদা ইন্দিয়ানা চাউনা মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী অচেৎপা ৱাল্লোন্না মমাঙদা থম্লগা লাল্লোং কয়াসু শেল্লিবনি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইরিবসি চহী অমগী মতম ওইবনা তেল্লবা মতম অসিদা মহাক্কী পার্ফোমেন্স অদু মীয়ামদা উৎপা ঙম্নবগীদমক অনিল কুম্বলেনা মহাক্কী ঙমজবী থাক্তা হোৎনদুনা মায় পাক্নবা থৌরাং তৌরি।

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজ অনীগী মরক্তা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট সেরিজ মরি অসিগী মাঙওইননা ৱার্মিং অপ মেচ অনীসু পাঙথোক্কনি। অহানবা ৱার্মিং অপ মেচতা জুলাই ৯ অমসুং ১০ দা ইন্দিয়াগা ৱেষ্ট ইন্দিজ ক্রিকেট বোর্দ প্রসিদেন্ট এলেভেন অনীগী মরক্তা ৱার্নরস পার্কতা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা ৱার্মিং অপ মেচতা সেন্ট কিটসতা লৈবা বাসিটেরিদা জুলাই ১৪ দগী ১৬ ফাওবা শান্নগনি।

টেষ্ট সেরিজ মরি অসি এন্টিগুৱাদা জুলাই ২১ দগী ২৫ ফাওবা সার ভিভিয়ান রিচার্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। অনীশুবা টেষ্ট সেরিজনা কিংষ্টন্দা জুলাই ৩০ দগী ওগষ্ট ৩ ফাওবা শান্নগনি। অহুমশুবা টেষ্ট সেরিজনা গ্রোস ইসলেটতা ওগষ্ট ৯ দগী ১৩ ফাওবা অদুগা মরিশুবা টেষ্ট সেরিজনা ত্রিনিদাদতা ওগষ্ট ১৮ দগী ২২ ফাওবা শান্নগনি।

# রিও ওলেম্পিক্সতা অশোয়-অঙাম থোক্তনবা পুলিস অমসুং লান্মী ৮৫,০০০ শীজিন্নদুনা মথৌ তৌহনখ্রে




রিও দি জানৈরো, জুলাই ০৭ : মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা অশোয় অঙাম অমদি য়ৈখাই থিনগাইবা থোক্তনবগীদমক মশীং য়াম্লবা পুলিস অমসুং লান্মী ৮৫,০০০ শীজিন্নদুনা মথৌ তৌহনখ্রে হায়রি।

রিও ওলেম্পিক্স পাঙথোক্কদবা থা অমা ফাজিল্লক্তবা মতমগী মাঙওইননা রিও ওলেম্পিক্সতা শীজিন্নগদবা পুলিস অমসুং লান্মীশিং অঙকপা ফংনা থবক চিনখৎখ্রে।

হৌজিক্তগী হৌনা ওলেম্পিক পাঙথোকফম অমদি মসিগী অকোয়বা মফমশিংদা মীকুপ নাহুমশিংনা ঙাক শেনবগী থবকশিংসু হৌখিবা মরম্না পুলিস অমসুং লান্মীশিং অসিগী থবক খংচিন চিনশিল্লকখিবনি।

ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা সাউথ অমেরিকাদা ইহান হানবা ওইনা রিও দি জানৈরোদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা এথলেট ১০,৫০০ অমসুং লম কোয়বা মীওই লাক্ষ ৫ রোম লাক্কনি হায়না পানরি।

হায়রিবা মালেমগী ওইনা অচৌবা শান্নবগী চাংদম্নবা অসিদা য়েংবা লাক্কদৌরিবা অমদি শরুক য়াগদৌরিবা এথলেটশিং অমদি ওফিসিএলশিংবু অশোয় অঙাম থোক্তনবগীদমক হায়রিবা পুলিস অমসুং লান্মীশিং অসিনা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

রিও ওলেম্পিক্সতা শীজিন্নগদৌরিবা পুলিস অমসুং লান্মী ৮৫,০০০ অসি হৌখিবা কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সতা শীজিন্নবা সেক্যুরিটি পার্সনেল অদুগী মশিংদগী শরুক তঙ্খায় অমা হেনগৎলবনি।

পুলিস অমসুং লান্মীশিং অসি হেক দিপ্লোই তৌখিবা কুইদ্রিঙৈ হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সিটি পুলিস অমসুং দ্রগ ললোনবশিং অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোকপসু লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদুদা অশোক অপন অমত্তা য়াওখিদ্রবসু সেকেন্দ খরা মায়কৈ অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নখিবা অসিনা হেন্না মীপাইবসু পোকহল্লে হায়না জষ্টিশ মিনিষ্টরগী ৱাঙাঙলোই অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

রিও ওলেম্পিক্সতা লাক্কদৌরিবা তোঙান তোঙানবা মালেমগী লৈবাক কয়াগী মীওইশিংনা মফম অসিদা লাকপদা করিসু চিংনবা লৈতনা নুংঙাইনা লাকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

রিও ওলেম্পিক অসি য়াম্না শান্তি লৈনা অমদি নুংঙাইনা পাঙথোক্নবগীদমক মশীং য়াম্লবা পুলিস অমসুং লান্মী ৮৫,০০০ শীজিন্নরিবনি হায়না ব্রাজিলগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট মাইকেল টিমারনা ফোঙদোকখি।

রিও ওলেম্পিক্সকীদমক লাক্কদৌরিবা এথলেটশিং, কোচিং ষ্টাফ, হেদ ওফ ষ্টেট, গভর্ণমেন্ট ওফিসিএল, লোকেল রেসিদেন্স, টুরিষ্ট অমদি জর্নেলিষ্টশিংগী ঙাক শেন্নবগীদমক হায়রিবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা মীকুপ নাহুমশিং পুং ২৪ ঙাক শেন্দুনা লৈগনি।

দিফেন্স মিনিষ্টর রাওল জঙমেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মফম অসিদা শান্তি লৈনা অমদি অশোয় অঙাম অমত্তা থোক্তনা মীপুম খুদিংমক্না নুংঙাইনা লৈগনি হায়বগী গরেন্টি ফাওবা পীখি।

# রিও ওলেম্পিক্সকী গেম ভিলেজদা ইন্দিয়াগী চীঙ্গাক ফংহনগনি ঃ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি




ন্যু দেল্লি, জুলাই ০৭ :

ইন্দিয়াগী নৌনা স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইখ্রবা বিজয় গোয়েলনা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংগীদমক্তা ইন্দিয়াগী অখন্নবা চীঙ্গাকশিং রিও ওলেম্পিক্কী গেম ভিলেজদা ফংহনগনি হায়বগী থাজবা শান্নরোয়শিংদা থমখ্রে।

মথংগী থাদা রিও দি জানৈরো পাঙলগদবা এথলেটশিংদা ইন্দিয়াগী চীঙ্গাক ফংহল্লগনি। মসিগীদমক্তা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংনা করিমত্তা নুংনাংবা তৌবিগনু। এথলেট খরনা ইন্দিয়াগী চীঙ্গাকশিং রিওগী গেম ভিলেজদা ফংহনবীয়ু হায়জরকপদগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অসি নৌহৌননা লাউথোকখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্সকী ওর্গনাইজর-শিংগা ৱারী শান্নরবা মতুং ইন্দিয়াগী এথলেটশিংগীদমক্তা গেম ভিলেজ মনুংদা ইন্দিয়াগী চীঙ্গাকশিং ফংহল্লগনি হায়বগী থাজবসু ওর্গেনাইজরশিংনা পীরক্লে। গেমস অসিগী ওফিসিএল ওইনা মহাকসু শরুক য়াগনি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংনা করিমত্তা অৱাবা লৈতনবা স্পোর্টস সেক্রেটরি রজিব য়াদবনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা, ইন্দিয়াগী এথলেটশিংগীদমক্তদি ঐখোয়গা চানবা চীঙ্গাকশিং ফংহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি। মীরমদা চৎলগা চীঙ্গাক খেন্নরবদি ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা করিগুম্বা মখলগী ফজবা পার্ফোমেন্স অমত্তা পীবা ঙল্লোই। এথলেটশিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা অমদি চঙদ্রবা য়াদ্রবা হায়রগদি ঐখোয়গা চানবা চীঙ্গাক চৎলু চৎলুবা মফমদা ফংহনবা হায়বদুনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

রিও ওলেম্পিক্কী গেম ভিলেজদা ইন্দিয়াগী চীঙ্গাকশিং ফংহন্নবগীদমক মখোয়গী মেনুদা ইন্দিয়াগী চীঙ্গাকশিং হাপ্পনবা রিও ওলেম্পিক্কী ওর্গেনাই-জিং কম্মিটিদা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন্না হায়জরুরবা মতুং অয়াবা পীরকখিবনি।

স্পোর্টস সেক্রেটরি রজিব য়াদবনা মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়গী এথলেটশিংনা রিওদা হেক থুংবগা খুদক্তগী হৌনা এথলেটশিংগী নুংতিগী পীফম থোকপা এলাৱেন্সশিং ফংহনগনি। হান্না এথলেট অমদা নোংমদা যু এস দোলর ৫০ পীরম্বা অদু শরুক অমা অমুক হেনগৎতুনা হন্দক্কী রিও ওলেম্পি অসিদদি এথলেট অমদা যু এস দোলর ১০০ পীরগনি।

হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্সতা এথলেটশিংগী এলাৱেন্স হেনগৎলক্লিবা অসিগী অচৌবা মরমদি এথলেট খরনা মমাঙগী ওলেম্পিক্সতা পীরম্বা এলাৱেন্স অদু মতিক চাদেমদুদগী খরা হেনগৎপীয়ু হায়রকপদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

এথলেট ১০৫ না হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্স অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না ১৩ দা শরুক য়াগনি। রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংনা মেদল কয়া য়াম্না ফংলক্কদগে হায়বা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা রজিব য়াদবনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিকমক্কী ওইনদি ইন্দিয়ানা মেদল কয়া ফংলক্কদগে হায়বা লুগনি। অদুবু ঐখোয়না থাজৈমদুদি দিজিট অনীদগী তাদনা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংনা মেদল শুংশোই শোয়দনা লৌগনি হায়খি।

# ফোর্মুলা ৱান বৃটিশ গ্রান্দ প্রীদা বিজয় মাল্লয়ানা মীয়ামদা ৱা ঙাঙগদৌরি



শিলভর ষ্টোন, জুলাই ০৭ :

ত্রোবল বিজিনেসমেন বিজয় মাল্লয়ানা যুনাইটেদ কিংদমদা য়াম্না তাঙবা থৌদোক অমা ওইনা ফোর্মুলা ৱান বৃটিশ গ্রান্দ প্রীগী মাঙওইননা মীয়াম মমাঙদা ৱা ঙাঙগদৌরি।

বিজয় মাল্লয়া যুনাইটেদ কিংদমদা হৌখিবা মার্চ থাদগী হৌনা লৈরকখিবনি। বিজয় মাল্লয়া স্পিসিয়েল কোর্ট অমনা মহাকপু প্রোক্লেইম ওফেন্দরনি হায়না লাউথোক্তুনা মনি লোন্দরিংগী কেসতা মীরমদা লৈরকখিবনি।

বিজয় মাল্লয়া মশানা চলাইজবা কিংফিসর এয়রলাইন্সকী লুপা ক্রোর লিশীং ৯ খোমগৎনবগী থৌরাংসু য়াম্না কন্না চথরিবনি। সিজন অসিগী ওইনা ফোর্স ইন্দিয়াগী বোস বিজয় মাল্লয়ানা পেদোক্তা থোক্তুনা উগদৌরিবা অসি অহানবনি।

বিজয় মাল্লয়ানা ফোর্মুলা ৱান বৃটিশ গ্রান্দ প্রীগী প্রেস কনফরেন্স অমা মহাক্না লোয়নননা মহাক্কী টিম ওইরিবা মাওরিজিও এরিভানে (ফেরারে), ইরিক বোল্লিয়র (মেগ লারেন), দেভ রয়ান (মানোর), ক্লাইয়র ৱিল্লিয়মস (ৱিল্লিয়মস) অমসুং টোটো ৱোল্ফ (মারসিদেস) সু শরুক য়াগনি।

ফোর্স ইন্দিয়ানা ইকোন কোনবা রেস ওইনা ওষ্ট্রিয়াদা পাঙথোকখিবা অদুদা মঙাশুবা পোজিশন তাখিবনি। ফোর্স ইন্দিয়াগী ওইনা কাওঙল্লরোইদবা রেস অদুদা পোইন্ট ৫৫ ফংখি। ৱিল্লিয়মনা পোইন্ট ৯২ ফংদুনা মরিশুবা পোজিশন্দা লৈখিবনি। বৃটিশ গ্রান্দ প্রী অসি ফোর্স ইন্দিয়াগী ওইনদি হোম রেস অমনি হায়না লৌরিবনি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ :

হৌখিবা তাং ৩ দা সগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা জুবেনাইল ক্লবনা মণিপুর চেছ এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা শিন্দুনা লোইশিনখিবা অহানবা কে ঐচ রামনরায়ন শাষ্ট্রি মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৬তা ৱিন্নর ওইরকখ্রবা শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা লৈখিদ্রবা ওইনাম ইমোচা অমসুং ওইনাম ওংবী মেমতোনগী মচানুপা ওইনাম নিংথেমদা ঐখোয়গী ক্লব শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলনা হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

তুংগী অশা চাউনা লৈরিবা ওইনাম নিংথেমনা তুংদা লাক্কদবা ষ্টেট, নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল চেছ টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা হেন্না মায় পাকপা অমদি লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না ক্লব অসিনা য়াইফ মঙ্গলসু পীরক্লি।

## ইম্ফাল ইষ্টকী মীখল

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী কুমজা ২০১৬ তগী ২০২০ ফাওবগী ওইনা থৌ পুননবশিং খন্ননবগী মীখল জুলাই ১০ দা পাঙথোক্লগনি।

মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদবশিংগী স্ক্রুটিনি ঙসি পাঙথোকপা লোইখিবগা লোয়নননা প্রসিদেন্ট মীখলদা দল্লিয়ু মনিহার অমসুং ঐচ সুরঞ্জয় অনীনা লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা ফমশিং অদুদি ভাইস প্রসিদেন্ট, ত্রেজরর অমদি একজিক্যুটিব কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনি। লোয়নননা মীখল অসিগীদমক কে এস ঐচ রাজেন্দ্রবু রিটর্নিং ওফিসার ওইনা খনখ্রে হায়রি।